# চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লামদা নুপীগী ৩ শুবা রাউন্দদা সেরিনা অমসুং ভেনস ৱিল্লিয়মস মচিন-মনাও থেংনরগনি

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) ঃ মালেমগী নুপীগী টেন্নিস শান্নবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নুপীগী ওইনা মচিন-মনাও ওইরগা মকোক থোংবা ঙন্নিবী য়ু এস এগী সেরিনা ৱিল্লিয়মস অমসুং ভেনস ৱিল্লিয়মসনা মখোয়গী মরমদম য়ু এস এনা য়ূম্বু ওইদুনা ন্যু য়োর্ক সিটিদা পাঙথোকপা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

ৱিল্লিয়মস মচিন-মনাও নুপীগী মালেমগী টেন্নিসকী লমদা ফজবা মশান্না কয়া উৎতুনা মকোক থোংবা তাঙ্কক কয়া য়াওদুনা লাকখিবনি। চহী ২০ গী মতুংদা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অমগী ৩শুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরিবা অসি হন্দক্কীসিনা অহানবা ওইরি। টুর্নামেন্ট অসিদা ১৬ শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ৱিল্লিয়মস মচিন-মনাওগী মচে ভেনসনা ইটালিগী সী জিওর্জিবু অনীশুবা রাউন্দদা ঙরাং ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা মহাক্কী মনাওনুপী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭ শুবা সীদেদ ওইরিবী অদুগা নুপীগী গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবগী রেকোর্দতা অনৌবা লমায় অমা হাংননবা কন্না হোৎনরিবী সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা জর্মনিগী সী ৱিটহোফকা শান্নবদা য়াম্না কোম্না সেট অনী অদু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মাপনশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী জর্মনিগী জুলিয়া জিওর্জিস রসিয়াগী একাটেরিনা মাকারোভানা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৭-৬ (১২-১০), ৬-৩ দা থোইরমখি। মাকারোভানা অহুমশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু য়ু এস এগী সী লিওবু য়াম্না কোম্না ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯ শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভানি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সীদেদ শান্নরোয় য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙরাং য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ২ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জর্মনিগী আই মারিয়াবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ৩ শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ৩ শুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবী শান্নরোয় অদু রোমানিয়াগী আই সী বেগুবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-১ দা থোইরম্বী চাইনাগী ও ৱাং ওইরি।

য়ু এস ওপন হার্দ কোর্ট গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মকোক মথং তাবগী পরীংদা নিপানশুবা সীদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিককী শান্নরোয় কেটেরিনা প্লিজকোভানা মহাক্কী ২ শুবা রাউন্দগী মেচতা ঙরাং ফ্রান্সকী এ বোগদানবু ইৱা ৱাদনা ৬-২, ৬-৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা গ্রীসকী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩২ শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী এম সকারিবু ৪-৬, ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরম্বী য়ু এস এগী শান্নরোয় এস কেনিনগা লম্বা তৌনরগনি।



য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরিবা সেরিনা অমসুং ভেনস ৱিল্লিয়মস মচিন-মনাও

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী য়ু এস এগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ঙরাং পোলেন্দগী এ কালিনিনাবু মায়থীবা পীবদা সেট ১ শোথরবসু ৪-৬, ৭-৫, ৬-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাব্রিলোভাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীরম্বী বেলারসকী ভিক্টোরিয়া অজারেনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙরাং অনীশুবা রাউন্দদা কনাদাগী ভি পোস্পিসিলবু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এল সোনিগোবু মায়থীবা পীরম্বা রসিয়াগী কে খচনোবকা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পেত্রোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী দি কুদিয়াবু ৬-৩, ৬-১, ৭-৬ (৭-৪) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা মমাঙদা নুপাগী টেন্নিসকী মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্লম্লবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেবু ৭-৫, ২-৬, ৬-৪, ৬-৪ দা থোইবা ঙমখিবা স্পেনগী ফর্নান্দো বরদাস্কোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ২৫ শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারক্লিবা কনাদাগী শান্নরোয় মিলোস রাওনিকনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমনবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোয় জে হরবর্টপু ৭-৬ (৭-৫), ৪-৬, ৬-৩, ৭-৫ দা থোইরম্বা স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী মাপনশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারক্লিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা য়ু এস এগী ষ্টিভ জোন্সনবু সেট ৩-২ দা মায়থীবা পীরবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে কুল্লরবু থোইরম্বা য়ু এস এগী টি ফ্রিটজকা লম্বা তৌনরগনি। জিওর্জিয়াগী শান্নরোয় বাসিলাস ভিলিনা য়ু এসকী জে সোকপু থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ইটালিগী লোরেনজিবু থোইরম্বা অর্জেন্টিনাগী পেলাগা শান্নরগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭কী পাউখুম

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো? :- PHONI MUKHERJEE

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো? :- VLADIMIR PARFENOVICH

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারুবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু। :- DMK AFZAL

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু। :- GEORGE ARTIN TAJIRIAN

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- SYED RAHIM NABI

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭কী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ১) এল শর্মিলা, য়াইস্কুল জন্মষ্ঠান লৈকায় | (৫) |
| ***২) সরুংবম মহেন্দ্র, কৈশাম্পাৎ, জেলর লৈরক, ইম্ফাল*** | ***(৫)*** |
| ৩) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | (৫) |
| ৪) মাইস্নাম দেবব্রতা, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | (৫) |
| ৫) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৫) |

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৭কী ৱিন্নর

*সরুংবম মহেন্দ্র (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)*

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৭কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

সেপ্টেম্বর ২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৮ খুদোংচাদবা খরদগী থম্বা ঙমজদ্রে। মসিগীদমক ক্যুইজ কন্টেষ্টেন্টশিংনা ৱারৌবীদনবা নোল্লুকচরি।**

## ২১ শুবা এন পট্টমা মেমোরিএল কাঙ টুর্নামেন্ট

# এস এ ৱাই সী-এনা ইচেল ক্লব মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ দিষ্ট্রিক্ট কাঙ এসোসিএসন জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপরাদা লৈবা লমলেন কম্ম্যুনিটি হোল কম কাঙশঙদা থা অসিগী ২৯ দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ২১ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এ ৱাই সী-এ সোরোক অতিংবীনা ইচেল ক্লব দিবোংবু মায়থীবা পীখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী কাঙখূৎ ৯ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিএল মেন্স কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি এস এ ৱাই সী-এ সোরোক অতিংবী অমসুং ইচেল ক্লব দিবোং শান্নখি। মেচ অদু এস এ ৱাই সী-এনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ইচেল ক্লবনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। মেচ অদু কাঙখূৎ অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা ফজনা কাঙ কাপ্পখি। মেচকী অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকপদা এস এ ৱাই সী-এ সোরোক অতিংবীনা ইচেল ক্লব দিবোংবু পাঞ্জল ১৫-১৪ দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অসিদা কে ঐচ বসন্তনা অম্পায়র অমসুং কে ইবোতোননা স্কোরর ওইখি।

# সর্বিয়াগী রেদ ষ্টার চেম্পিয়ন্স লীগ গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌখ্রে



বেলগ্রেদ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজকী থাক অদুদা সর্বিয়াগী মকোক থোংবা টিম রেদ ষ্টাল বেলগ্রেদ ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, সর্বিয়াগী রেদ ষ্টার ফুটবোল ক্লব অসিনা কুমজা ১৯৯১ দা য়ুরোপিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। টিম অসিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব সালসবর্গকা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎলবসু অহানবা লেগতা মখোয়না পাঞ্জল হেনখিবা মরম্না চেম্পিয়ন্স লীগ গ্রুপ ষ্টেজকীদমক ক্কালিফাই ওইখিবনি।

অতোপ্পা চেম্পিয়ন্স লীগ গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌনবগীদমক শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেচ অমদা পোর্টুগলগী বেনফিকানা গ্রীসকী ফুটবোল ক্লব পি এ ও কেবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইদুনা এগ্রিগেটতা ৫-২ দা মায় পাক্লগা ক্কালিফাই ওইখি। অমরোমদা নেদর-লেন্দসকী ক্লব পি এস ভি এনহোভননা বেলারসকী ক্লব বাটে বোরিসোবপু ২ শুবা লেগকী মেচ অদুদা পাঞ্জল ২-০ দা মায় পাকখি। অহানবা লেগতা মখোয়না ৩-২ দা মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা ৫-২ দা থোইরগা ক্কালিফাই ওইখি।

# গেরি কর্ষ্টননা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী কোচ ওইরগনি

বেঙ্গালুরু, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) ঃ

ইন্দিয়ন প্রীমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী লাক্কদৌরিবা সীজন অসিগী ওইনা মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী হেদ কোচ অদু সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় গেরি কর্ষ্টননা ওইরগনি।

নীংশিংবা য়াই, গেরি কর্ষ্টন মহাক্কী ক্রিকেট করিয়র লোইশিল্লকখ্রবা মতুং হৈথোই-শিংথোইবা অদুগী কান্নবা ফংদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল ক্রিকেট টিমগী কোচ ফাওবা ওইরম্বনি। মহাক্না রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলোরগী হান্না কোচ ওইরম্বা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোয় দেনিএল ভেটোরিনি। আর সী বিগী চেয়রমেন সঞ্জিব সুরিৱালানা পাউমীশিংদা ফোঙদোক-খিবদা ভেটোরিগী কোনট্রেক্ট অদু রিন্যু তৌগদবা তাঞ্জা অদুদা আর সী বিগী টিম অদুবু অনৌবা মায়োন অমদা পুরক্কবা গেরি কর্ষ্টনবু নৌনা থৌ পুহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ২০৩০ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ূম্বু ৱেলসনা অপূনবা বিদ্দিং তৌনিংলি

লন্দন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সী) ঃ

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী কুমজা ২০৩০ গী য়ূম্বু ওইনবগীদমক ৱেলসনা থংনবা লৈবাকশিং ওইরিবা ইংলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরলেন্দগা পূন্না য়ূম্বু ওইবগী বিদ্দিং তৌনিংলি। ফুটবোল এসোসিএসন ওফ ৱেলসনা ২০৩০ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুগী য়ূম্বু ওইনবগীদমক থংনবা লৈবাকশিং অদুদা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়না এসোসিএসন অদুগী চীফ একজিক্যুটিব জোনাথন ফোর্দনা ফোঙদোরক্লি। অদুবু ২০৩০ গী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী য়ূম্বু ওইনবগী বিদ্দিং অদু য়ামদ্রবদা কুমজা ২০১৯ লোইদ্রি ফাওবদি কনাগুম্বা লৈবাক অমগী ফুটবোল ফেদরেসননা পুখৎলকপা য়াদবা মরম্না মনুংদা লৈবাক মরিগী অপূনবা বিদ্দিং অদু তৌনবা হোৎনরকপনি হায়রি। বি বি সী স্পোর্টস পাউ চেন্নেলগা ৱারী শানবদা ফোর্দনা ফোঙদোকখিবদা ৱাফমশিং অসি হায়খিবনি।

# ষ্ট্রেঙ্কলিফটিংগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ য়ু পিগী হারদোইদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫ দগী ২৮ ফাওবা য়ু পি ষ্ট্রেঙ্কলিফটিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ইন্দিয়ন ষ্ট্রেঙ্কলিফটিং ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা সিনিয়র, মাষ্টর মেন অমসুং ৱুমেন নেসনল ষ্ট্রেঙ্কলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ অমদি ২৭ শুবা সিনিয়র, মাষ্টর, হেন্দিকেপ, মেন এন্দ ৱুমেন, নেসনল ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী ষ্ট্রেঙ্কলিফটিং টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা সেপ্টেম্বর ২ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা শান্নরোয়শিংগী ৱেট ওন্দুনা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১২ দা লৈবা বোদিবিল্ডিং ট্রেনিং সেন্টরদা মণিপুর ষ্ট্রেঙ্কলিফটিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ত্রায়ল সেলেক্সন অসি পাঙথোক্কনি। ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা জিম, ক্লব, ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্কবা এম এস এল এগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ নিংথেমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা খা তারদুনা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরিদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# বাসু খাঙবোককী ৩৭ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ খাঙবোকতা লৈবা ব্লুমিং এথলেটিক্স এন্দ স্পোর্টস য়ুনিয়ন (বি এ এস য়ু) না শীন্দুনা বাসুগী ৩৭ শুবা মপোক কুমওন ঙসি য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসকী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

ব্লুমিং এথলেটিক্স এন্দ স্পোর্টস য়ুনিয়নগী ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অদুদা বি এ এস য়ুগী ফাউন্দর মেম্বর টি ঐচ শরত, বি এ এস য়ুগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শ্যামো শর্ম্মা, বি এ এস য়ুগী ট্রেজরর কে শ্যামসুন্দর শর্ম্মা, য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি মোধুসুদোন অমদি য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসল মেম্বর কয়ানা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। বাসুগী ৩৭ শুবা ফাউন্দেসন দে অসিগা মরী লৈননা সেভেন এ সাইদ ফুটবোল মেচ অমা শান্নখিবগা লোয়ননা ফাউন্দেসন দে অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা ফুটবোল কয়াসু খূৎশিন্নখি।

# ৱাঙ্গোই কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১১-৫ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গোই আই পি টিমনা শীন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা চথরিবা অহানবা লেট দল্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র-সী কাঙখূৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে। কাঙখূৎ ১৪ না কাঙলুপ মরি থোক্না খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মাপনশুবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী ৱাঙ্গোই-সী অমসুং শিংজমৈ শান্নখি। মেচ অদু ৱাঙ্গোইনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা শিংজমৈনা মায়কৈ খনখি। মেচ অদুগী লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গোই-সীনা শিংজমৈবু ১১-৫ দা মায়থীবা পীখি।



গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ কম্যুনিকেসন্স
দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টস

করিগীদমক নহাক্কী নুংশিবা মীওইশিংগী নুংঙাইবা অদু খুদোংচাবা ফংহল্লোইদৌরিবনো?

করিগুম্বা নহাক্না ঙসি পোষ্টেল লাইফ ইন্সুরেন্সতা এনস্যুর তৌবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈরবা মতমদা।

কুমজা ১৮৮৪ দা হৌদোকখিবা পোষ্টেল লাইফ ইন্সুরেন্স (পি এল আই) অসি ইন্সুরেন্স স্কীমশিংগী মনুংদা লৈঙাক অমসুং লৈঙাক্না চুংশিন্নবা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী লীরবা স্কীম অমনি। ঙসি পি এল আই য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্দুনা মমাঙদা লৈরম্বা পোলিসি চা খরগী মতুংদা লাখ ৪৯ হেনবা পোলিসিশিং হৌজিক হৌজিক হিংদুনা লৈরিবনি।

পি এল আইগী মখাদা লৈরিবা পোলিসিশিং অদুদি

হোল লাইফ এস্যুরেন্স (সুরক্সা)। এন্দোমেন্ট এস্যুরেন্স (সন্তোস)।
কনভর্টিবল হোল লাইফ এস্যুরেন্স (সুবিধা)। এন্টিসিপেটেদ এন্দোমেন্ট এস্যুরেন্স (সুমঙ্গল)। জোইন্ট লাইফ এস্যুরেন্স (য়ুগল সুরক্সা)
চিলদ্রেন পোলিসি (বাল জিবন বিমা)

কান্নবশিং অমদি অহেনবা শক্তমশিং : লুপা লাখ ৫০ ফাওবগী ইন্সুরেন্স। লোনগী খুদোংচাবা লৈবা। ইনকম টেক্সতগী কোমথোকপা
প্রীমিয়ম পীবগী খুদোংচাবশিং : ওনলাইনদা www.indiapost.gov.in । ইন্দিয়াগী পোষ্ট ওফিস অমদা হেক্তা য়াবা। থাগী তোলোপতগী ককথরবসু য়াবা

পি এল আই - য়ামদবা প্রীমিয়ম। বোনস ৱাংবা। ইসসে বেহটর কুছ নহি
www.indiapost.gov.in | Toll Free: 1800 180 52 32 / 155232

PLI
डाक जीवन बीमा
POSTAL LIFE INSURANCE
SINCE 1884

davp 06302/13/0012/1819